# সিরিয়ন আর্মি অমসুং মীচংশিংনা ইস্লামিক ষ্টেটকী সপ্লাই লম্বী থদৎখ্রে



দামাস্কস, ফেব্রুৱারী ০৬ :
সিরিয়াগী আর্মি অমসুং মীচংশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইস্লামিক ষ্টেটনা কন্ট্রোল তৌবা লৈবাক অসিগী অৱাং থংবদা লৈবা অল-বাব সিটিদা চঙশিনখিবগা লোয়ননা ইরাক পাংনা নোংপোক্লোমদা লৈবা মিলিটেন্টশিংগী ষ্ট্রোংহোল্ডশিংগা শম্নবা মরু ওইবা সপ্লাই লাইনশিং থদৎখ্রে হায়না মোনিটর অমনা হায়রি।

বৃটেনদা বেজ তৌবা লাল অদুবু মোনিটর তৌবা গ্রুপ অমা ওইরিবা সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হায়খি, হৌখিবা অহিংদা আর্মি অমসুং লেবানিজ হেজবোলা গ্রুপনা অল-বাবকী খা নোংপোক্তা লৈবা মফম খরা পায়শিনখ্রে।

নোংথক্তগী এয়রষ্ট্রাইক চত্থদুনা বেকিং পীবা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং অমসুং মখোয়গী মীচংশিংনা টর্কিশ বোর্দর মনাক্তা লৈবা সিটি অদুগা শম্ন হল্লিবা আই এসনা কন্ট্রোল তৌবা রাক্কা অমসুং দৈর অল-জোর প্রোভিন্সশিংগী অতৈ টেরিটরিগা শম্নহল্লিবা মরু ওইবা লম্বী অদু মাঙহন-তাকহনখি।

দামাস্কস অমসুং অঙ্কারানা অলেপ্পো প্রোভিন্সতা লৈবা খ্বাইদগী চাউবা আই এসকী ষ্ট্রোংহোল্ড পায়শিন্নবা হোৎনবগী লমজেলদা হৌজিক এরিয়া অদুদা লৈরিবা ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিং আর্মিনা খারোমদগী কোইশিনখ্রে অমসুং টর্কিনা বেক তৌবা রেবেলশিংনা অৱাংলোমদগী কোইশিনখ্রে হায়রি।

সিরিয়ন আর্মিনা অল-বাব তম্না চঙশিল্লিবদু টর্কিশ মিলিটরি অমসুং মসিগী মীচংশিং হায়বদিফ্রী সিরিয়া আর্মিগী বেন্নর মখাদা লাঞ্জং চঙশিল্লিবা গ্রুপশিংগা খুৎ থোক্নরকপা য়াবগী রিস্কশিং লৈ হায়রি। সিটি অদু লৌশিন্নবগীদমক্তা ফ্রী সিরিয়ন আর্মিনসু মখোয়গী ওইবা লাঞ্জং অমা চঙশিল্লকখিবনি।

দামাস্কসনা যুল্লোন্নবা টর্কিবু নোদর্ন সিরিয়াগী ষ্ট্রেটেজিক এরিয়া অমদা মখা তানা চঙশিনবা ঙমহন্দনবগীদমক্তা সিরিয়ন আর্মি যুনিটশিংনা চয়োল অহুম ফাদবা মতমগী মনুংদা অল-বাব সিটি মনুংদা কিলোমিটর ৫ ফাওবা চঙশিনখ্রে হায়রি।

সাইদ কয়া খায়বা সিরিয়াগী লাল অদুদা নোদর্ন সিরিয়া অসি খ্বাইদগী লুবা বেট্টলফিল্ডশিংগী মনুংদা অমা ওইরি। হৌজিক মফম অদুদা ইস্লামিক ষ্টেটনা সিরিয়ন আর্মি, টর্কি অমসুং মসিগী রেবেল মীচংশিং অমসুং যু এসনা শৌগৎপা সিরিয়ন মিলিস্যাশিংগী এলাইন্স অমা মায়োক্নরি।

টর্কিনা মসিগী ফ্রন্টিয়রবু ইস্লামিক ষ্টেটকী মিৎয়েংদগী সিক্যুর ওইহন্নবা অমসুং মতীক ময়াই লৈরবা কর্দিশ ৱাই পি জি মিলিস্যা কাঙবুনা চঙশিল্লকপা থিংনবা হৌখিবা ওগষ্টতা কেম্পেয়ন অমা হৌখি।

হন্দক নুমিৎ খরনি অসিদা টর্কিশ ক্রুপশিং অমসুং এফ এস এ রেবেলশিংনা অল-বাবকী নোংপোক্তা লৈবা বাজা টাউনগী অকোয়বদা আই এসকী মিলিটেন্টশিংগা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখ্রে হায়না ওবজার্ভেটরি অদুনা হায়খি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা অল-বাবকী মখা থংবদা ইস্লামিক ষ্টেট অমসুং গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লখি হায়নসু ওবজার্ভেটরি অসিনা হায়খি।

অল-বাব অসি হৌখিবা দিসেম্বরদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা রেবেলশিংবু মায়থীবা পীখিবা অলেপ্পো সিটিগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ৪০ রোম লাপ্পা লৈ।

# অফঘান দিপ্লোমেট ১ করাচিদা লৌবা কোন্স্যুলেটতা কাপ্পুনা হাৎখ্রে



করাচি, ফেব্রুৱারী ০৬ :
পাকিষ্টানগী পোর্ট সিটি করাচিদা লৈবা অফঘান কোন্স্যুলেট মনুংদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা 'লনাই লমন খুম্নিংবগী ৱাখল চেনবা' অফঘান গার্দ অমনা অফঘান জুনিয়র দিপ্লোমেট অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

'রেহমট উলাহ কৌবা গার্দ অদুনা মোহম্মদ জাকি উরো কৌবা জুনিয়র দিপ্লোমেট অমদা নোংমৈনা কাপখি, দিপ্লোমেট অদু মফমদুদা শিখি অমসুং কোন্স্যুলেটকী অতোপ্পা ওফিসল অমনা শোকখি' হায়না পুলিসকী সিনিয়র ওফিসল অজাদ খাননা এ এফ পিদা হায়খি।

কা হেনবা কাঙবুশিংনা এটেক চত্থরকপা য়াবগী অকিবা মরক্তা এটেক অদুগী মতুংদা পেরামিলিটরি অমসুং পুলিস কন্টিঞ্জেন্ট অমনা কোন্স্যুলেট অদু খুদক্তা কোইশিনখি।

'এক্সত্রিমিষ্টশিংনা এটেক তৌবগী খুদম ফংখিদে অমসুং গার্দ অদু লনাই ওইনা দিপ্লোমেট অদুগা নুংঙাইনদবা খরা লৈবা মাল্লি' হায়না খান্না হায়খি। গার্দ অদু ফাবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন হৌখ্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

কোন্স্যুলেট অদু করাচিগী লূ-নাল্লবা ক্লিফটন নৈবরহুদতা লৈ। ইন্দোনেসিয়া, যুনাইটেদ কিংদম অমসুং ফ্রান্সকী মিসনশিংসু মনাক্তা লৈ।

পাকিষ্টানগী খ্বাইদগী চাউবা সিটি অমসুং মরু ওইবা বিজনেস অমসুং ইন্দষ্ট্রিএল হব অমা ওইরিবা করাচি অসি পোলিটিকেল অমসুং কাঙলুপকী ঈরাং লৈবা মফম অমনি হায়না লৌনৈ।

হন্দক চহী খরসিদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ষ্ট্রেটেজিক ওপরেসন অমা চত্থবদগী সিটি অদুদা ঈরাং নেমথবগী ফীভম অমা লৈখি। তৌইগুম্বসুং মরক মরক্তা মীশি-মীনাগী ঈরাং খরদি থোক্লি হায়রি।

# ম্যান্মারগী বোর্দর গার্দশিংনা কাপ্পদা বাংলাদেশকী ঙামী ১ শিখ্রে, ২ শোকখ্রে



ধাকা, ফেব্রুৱারী ০৬ :
নিংথৌকাবা নুমিৎতা বাংলাদেশ অমসুং ম্যান্মারবু খায়রিবা নাফ তুরেলদা বাংলাদেশকী ঙামীশিংগী হি অমদা ম্যান্মারগী বোর্দর গার্দশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা ঙামী অমা শিখ্রে অমসুং অতৈ অনীনা শোকখ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা হায়রি।

হৌখিবা ওক্টোবরদা ম্যান্মার আর্মিনা মুস্লিম লালহৌবশিংগী মায়োক্তা চত্থখিবা ক্রেকদাউন অমদা রোহিংচা লিশিং কয়া বোর্দর লান্না বাংলাদেশতা চেনশিল্লকখিবদগী লৈবাক অনীগী মরক্তা টেন্সন ৱাংনরকখিবনি। বাংলাদেশকী ঙামীশিংদা ম্যান্মারগী ফোর্সশিংনা নোংমৈ কাপশিনবসি নিংথৌকাবগী থৌদোক অসিনা অনীশুবনি।

লোকেল পুলিস চীফ ইকবাল হোশাইননা হায়খি, নিংথৌকাবগী অয়ুক্তা ম্যান্মারগী টেরটরিদা হেঞ্জিল্লকখি হায়রদুনা গার্দশিংনা ঙামীশিংগী হিদুদা নোংমৈনা কাপখিবনি।

'ঙামীশিংদুগী মনুংদা অহুম নোংমৈ কাপ্পদুনা শোকখি। মখোয় বাংলাদেশকী ঈশিংগী শরুক্তগী হেন্দোক্লে হায়বা খঙখিদে' হায়না মহাক্না এ এফপিদা হায়খি।

ঙামীশিং তোংবা হি অদু বাংলাদেশকী বোর্দর টাউন টেকনাফতা হল্লকখি অমসুং অশোকপশিংদু হোস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি, তৌইগুম্বসুং নুরুল অমিন কৌবা চহী ২৬ কী মীওই অসি মখা তানা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি।

'ম্যান্মারগী বোর্দর গার্দ পুলিসনা হান্না ৱার্নিং পীবা তৌদনা নোংমৈ কাপ্লকখি হায়না ঙামীশিংদুগী ৱারোল পল্লদুনা পুলিসকী ওফিসল অমনা হায়খি।

হন্দক থা খরসিদা রোহিংয়া মুস্লিম ৭০,০০০ রোম বাংলাদেশতা চেনশিল্লকখি। ম্যান্মার আর্মিনা পাক্তক্ন না মী হাৎপা অমসুং রেপ তৌবগী থৌওংশিং চত্থখি হায়না মখোয়না পাউদম্বদগী মালেম পুম্বনা নুংনাংবা ফোঙদোক্লখিবগা লোয়ননা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী মফম কয়াদা প্রোটেষ্ট তৌনখি।

আর্মিগী মায়কৈদগী পুলিস পোষ্টশিংদা শাথিরবা রেইদশিং চত্থখিবা মিলিটেন্টশিং তান্নবা ওইনা ওপরেসনশিং পাঙথোকখিবনি হায়খি।

বাংলাদেশ গভর্ণমেন্টকী মতুং ইন্না, রোহিংয়া ৪০০,০০০ রোম বাংলাদেশতা লৈরি অমসুং মখোয় অয়াম্বা রেজিষ্টর তৌদে।

ধাকানা নোংমাইজিং নুমিৎতা দিপ্লোমেটশিং অমসুং যু এনগী এজেন্সিশিংদা রোহিংয়া রিফ্যুজিশিংবু মনুং হঞ্জিনবা ঈথৎ অমদা লৈহন্নবগী থৌরাং শৌগৎনবা তকশিনখি।

# ত্রম্পনা মীচৈ কয়াদগী পুটিনবু কনখ্রে, অমেরিকানা শোয়বদগী মী য়াম্না শিখি হায়খ্রে





ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ০৬ :
অমেরিকাগী অশোয়বা কয়ানা মরম ওইদুনা মালেমগী মফম কয়াদা মীওই কয়া মথৱায় মাংখ্রে হায়না প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা হায়খ্রে। মহাক্না মহাক্কী রসিয়ন লেঙমান্নবা ৱ্লাদিমির পুটিনবু দিফেন্দ তৌবা ওইনা পুটিননা তৌবা থবকশিংগা যু এস গভর্ণমেন্টনা তৌবা থবকশিংগা মান্নে হায়রদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

'ঐখোয়না (অমেরিকানা) তৌখিবা থবকশিংদা অমুক্তা য়েংসি। ঐখোয়না অশোয়বা কয়ামুক তৌখ্রে। হেক হৌবদগী ঐহাক ইরাক লালগী মায়োক্তা লৈখি' হায়না ত্রম্পনা ফোক্স ন্যুজগী ইন্টরভিয়ু অমদা হায়খি।

'অসুক্কী মতীক অশোয়বা লৈখ্রে, মীসু অসুক্কী মতীক য়াম্না শিখ্রে।' 'মরম অদুনা কিল্লর য়াম্না লৈ হায়বসিদা ঐহাকপু থাজবীয়ু' হায়না যু এসকী প্রসিদেন্ট অসিনা প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিন 'কিল্লর' অমনি হায়বা ৱাফম তারবা মতুংদা হায়খি।

নহাক্না ঐখোয় লৈবাক অরানব তৌদে হায়না খনবরা হায়না ত্রম্পনা মহাক্কী হোষ্টতা হংখি।

মহাক্না আই এস আই এসকা থেংনবদা রসিয়নশিংগা কো-ওপরেসন পীনবা পামই হায়খি।

মহাক্না অসুম্নসু হায়খি মদুদি, মহাক্না পুটিনবু ইকায় খুম্নৈ তৌইগুম্বসুং মদুনা মখোয়নিগী মরক্তগা অনকপা মরী অমদা শাগৎলক্কনি হায়বদি নত্তে।

'ঐহাক্না মীওই কয়াবু ইকায় খুম্নৈ তৌইগুম্বসুং মদুনা ঐহাক মখোয়গা য়াম্না নকশিন্নবা মরী থল্লগনি হায়বদি নত্তে। মহাক মহাক্কী লৈবাক্কী লীদরনি। ঐহাক্কী ৱাফমদি রসিয়াগা মরী ফৎনদববুদি ফনবনা হেন্না ফৈ হায়বসিনি। করিগুম্বা রসিয়ানা আই এস আই এসকী মায়োক্তগা চঙশিল্লিবা অচৌবা লাঞ্জং অসিদা রসিয়ানা ঐখোয়দা মতেং পাংলবদি...' হায়না ত্রম্পনা হায়খি।

কম্মেন্ট অদু মহাক্না যু এসপু রসিয়াগা চাংদম্নবগী মওং অমনি হায়রদুনা মহাক্কী ওপোনেন্টশিংনা ত্রম্পকী ৱাফম অদুবু ক্রিটিসাইজ তৌখ্রে।

# ইন্দিয়া, জপান, য়ু এসতা মিৎয়েং থমদুনা চাইনানা বলিষ্টিক মিসাইলশিংগী এক্সরসাইজ পাঙথোকখ্রে

বৈজিং, ফেব্রুৱারী ০৬ :
ইন্দিয়া, জপান অমসুং য়ু এস য়াওনা লৈবাক কয়াদা অকিবা পোক্নিংঙাই ওইবা কিলোমিটর ১,০০০ হেন্না শান্না পাইবা ঙম্বা এদভান্স দি এফ-১৬ মিদিয়ম-রেঞ্জ বলিষ্টিক মিসাইলগা লোয়ননা এক্সরসাইজ অমা চাইনাগী নৌনা শেম্বা রোকেট ফোর্সনা পাঙথোকখ্রে।

পূক্নিং চিংশিন্নিঙাই ওইরবা থৌওং অমদা মখোয়দা লৈরিবা খুৎলায় সিষ্টেমশিংগী মরমদা হায়দোক্কন্দবা পিপলস লিবরেসন আর্মিনা এদভান্স দি এফ-১৬ মিদিয়ম-রেঞ্জ বলিষ্টিক মিসাইল য়াওনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মিলিটরি এক্সরসাইজ অমগী ভিদিও অমা রিলিজ তৌখ্রে হায়রি।

চাইনাগী রোকেট ফোর্স অসি মসিগী মিলিটরি পুক্নৈদা লৈবা মিসাইল মখল কয়া হেন্দল তৌবা অখন্নবা কন্টিঞ্জেন্ট অমনি।

স্প্রিং ফেষ্টিভেল হোলিদে নকশিল্লকপগা রোকেট ফোর্স মিসাইল বৃগেদকী লান্মীশিংগী ট্রেনিং উৎনবগীদমক্তা রিলিজ তৌখিবা ফুটেজ অদুদা বলিষ্টিক মিসাইলশিংদু পুবা লোঞ্চ ভেহিকল কয়া উৎখি।

এক্সরসাইজ অদুদা শরুক য়ারিবা য়ুনিটশিংনা কেমিকেল/বাইঅলোজিকেল কোন্টামিনেসন, সেটলাইট রিকোনিসন্স কাউন্টর তৌবা অমসুং ইলেক্ট্রোনিক জাম্মিং য়াওনা সিন্নরিও কয়া হেন্দল তৌখি হায়না ষ্টেটনা রন তৌবা চাইনা দেলিনা ফোঙদোকখি।

দি এফ-১৬ কী মখল অনী এক্সরসাইজ অদুদা য়াওখি। ভিদিও অদুদা উৎলিবদু মীয়ামদা দি এফ-১৬ উহনবা অহুম্লকশুবনি। মিসাইল অদু ইহান হানবা ওইনা হৌখিবা কুমজা ২০১৫ গী সেপ্টেম্বরদা বৈজিংদা পাঙথোকখিবা মিলিটরি পেরেদ অমদা উৎখি। হৌখিবা জুলাইদা টেলিভিজন ন্যুজ প্রোগ্রাম অমনা সেন্ট্রেল মিলিটরি কম্মিসনগী ভাইস চ্যেরমেন জেনরেল ফান চানলোংনা সাউদর্ন থিয়েটর কম্মান্দগী দি এফ-১৬ য়ুনিট অমা ইন্সপেক্সন তৌবগী শক্তম উৎখি।

# দোনাল্ড ত্রম্পনা ব্রসেলজদা নেটোগী লীদরশিংগা মীফম পাঙথোক্লগনি : হ্বাইট হাউস



ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ০৬ :
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা লাক্লিবা মে থাদা য়ুরোপতা নেটো লৈবাকশিংগী লীদরশিংগা উনরগনি হায়না হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোকখ্রে। ইন্টর-গভর্ণমেন্টেল মিলিটরি এলাইন্স অদুবু মহাক্না 'মতমগা চানদ্রে চন্নফম লৈত্রে' হায়দুনা নুংঙাইতবা পোকহনখিবা মতুং চয়োল খরা কান্নরগা মীফম অদু পাঙথোক্কদৌরিবনি।

ওর্গনাইজেসন অদুগী সেক্রেটরি জেনরেল জেন্স ষ্টোলটেনবর্গকা টেলিফোনদা ৱারী শানখিবা মতুংদা ত্রম্পনা নেটোথগী লৈবাকশিংগী লীদরশিংগা উনবগী ৱাফম য়াখিবনি।

'প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা মেগী অথেংবদা য়ুরোপ্তা পাঙথোক্কদবা নেটো লৈবাকশিংগী মীটিং অমদা য়াওবগী ৱাফম য়াখ্রে' হায়না হ্বাইট হাউসনা ফোন কোল অদুগী মরমদা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি। ফোনদা ৱারী শানবা অদুদা লুচিংবা অনীনা নেটোগী মীচং খুদিংমকপু করম্না মখোয়গী দিফেন্সকী চাদিংগী কম্মিটমেন্টশিং থুংহনবদা পূক্নিং থৌগৎকদগে হায়বগী মতাংদা খন্নখি হায়রি।

'অহেনবা ওইনা পার্টিশিংনা য়ুক্রেনগী বোর্দর পরিংদা থোক্লিবা কনফ্লিক্ট অদু করম্না পিছফুল ওইবা মওংদা লৈখায় তাগদগে হায়বগী মতাংদসু খন্নখি। পার্টিশিংনা নেটোনা মায়োক্নরিবা সিক্যুরিটি চেল্লেঞ্জ মখল খুদিংমক য়েংশিন্নবা মখা তানা নকশিন্ননা কোওর্দিনেসন থম্নবা অমসুং কোওপরেসন পীনবগী ৱাফমসু য়ানখি হায়না হ্বাইট হাউসনা হায়খি।

কোল অদুগী তোঙানবা রিদআউট অমদা নেটোনা হায়খি, লুচিংবা অনীনা টেররিজমগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জংগী প্রোগ্রেস অমসুং নেটোগী চাদিংগী মরমদা রিভ্যু তৌখি।

নেটোগী মীচং খুদিংমক্কী মরক্তা ফজবা মওংদা পোৎলুম সিয়র তৌমিন্ননবা মখা তানা হোৎনবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়না মখোয়না চেৎনা ফোঙদোক্লখি।

মখোয়না ইষ্টর্ন য়ুক্রেনদা ঈরাং হেনগৎলকপগী মতাংদা অমসুং মদুবু পিছফুল ওইবা মওংদা লৈখায় তানবগী ফীভমশিংগী মতাংদসু খন্নখি' হায়না নেটোগী ষ্টেটমেন্টনা হায়খি।

'সেক্রেটরি জেনরেলনা নেটোগী দিফেন্সকী পাঙ্গল কলহনবগী পোলিসী অমসুং রসিয়াগা দাইলোগ চত্থবগী ৱাফম নিংশিংখি।'

ইস্যুশিং অসিগী মতাংদা খন্ননবা ত্রম্পনা মে থাদা ব্রসেলজদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেটোগী সম্মিটতা শরুক য়ানবা ঙাইরি হায়না ষ্টোল্টেনবর্গনা হায়খি।

মসি প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা মীখলদা মায় পাকখিবদগী ষ্টোল্টেনবর্গকা ৱারী শানবা অনীরকশুবনি।

টেররগা মরী লৈননা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং অমত্তা পায়খৎত্রে হায়রদুনা ত্রম্পনা নেটো অসি হৌজিক চন্নফম লৈত্রে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

নেটো অসি মঙোন্দা য়াম্না মরু ওই তৌইগুম্বসুং মেম্বর ষ্টেট ২৮ গী মনুংদা ৫ খক্না পুথোকফম থোকপা স্যের পুথোক্লি। মসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা এলাইন্স অসিনা তৌবা ফজদবা অমনি হায়না ত্রম্পনা হায়খি। ত্রম্পকী ৱারোল অসিনা এলাইন্স অসিদা নুংনাংবা পোকহল্লে হায়না জর্মনিগী ফোরন মিনিষ্টর ফ্রেঙ্ক ষ্টাইনমরনা মতমদুদা ফোঙদোকখিবনি।




## EMPLOYMENT NEWS

### IMU Recruitment 2017 – Indian Maritime University – 31 Assistant Registrar, Private Secretary & Assistant Vacancy – Last Date 08 March

**IMU Recruitment 2017**
Indian Maritime University invites application for the post of 31 Assistant Registrar, Private Secretary & Assistant on Direct & Deputation basis. Apply before 08 March 2017.

**IMU Job Details :**
Post Name : Assistant Registrar
No. of Vacancy : 01 Post
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs.5400/-
Post Name : Private Secretary
No. of Vacancy : 04 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs.4200/-
Post Name : Assistant
No. of Vacancy : 26 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2400/-

**Eligibility Criteria For IMU Recruitment :**
Educational Qualification :
For Assistant Registrar : A Master's Degree in Commerce with at least 55% marks or its equivalent grade or a Bachelor's Degree with CA/ICWA; the degree should be from a recognized University.
For Private Secretary : A Bachelor's Degree with Shorthand Higher/Senior Grade in English
For Assistant : A Bachelor's Degree from a recognized University with a minimum aggregate of 50% marks or its equivalent grade in Commerce or Mathematics or Statistics..

Nationality : Indian
Age Limit :

For Assistant Registrar : 40 years
For Private Secretary : 45 years
For Assistant : 35 years

**Job Location : Chennai (Tamilnadu)**
**Selection Process :** Selection will be made on Online Test & Personal Interview.
**Application Fee :**
For Assistant Registrar : Rs.1500/- for Other & Rs.1000/- for SC/ST/PwD candidates
For Private Secretary & Assistant : Rs.1200/- for other & Rs.800/- for SC/ST/PwD candidates.
Candidates Have to pay through online only.
**How to Apply IMU Vacancy :** Interested candidates may apply online through the website http://www.imu.edu.in on or before 08.03.2017.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of IMU Recruitment Online Application Form : 08.03.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement & Apply Online Link : http://www.imu.edu.in/index.php?latestnews=1&newsid=1205

### RMLIMS Recruitment – 16 Professor, Additional Professor, Associate Professor & Assistant Professor Vacancies – Last Date 30 April 2017

Dr. Ram Manohar Lohia Institute of Medical Sciences, Gomti Nagar, Lucknow invites Application for the post of 16 Professor, Additional Professor, Associate Professor & Assistant Professor in specialty & super specialty departments. Apply before 30 April 2016.

Advt No. : 06 /Dir.Camp/RMLIMS/2016

**Job Details :**
Post Name : Professor
No of Vacancy : 01 Post
Pay Scale : Rs. 37400-67000/-
Grade Pay : Rs. 10500/-
Post Name : Additional Professor
No of Vacancy : 01 Post
Pay Scale : Rs. 37400-67000/-
Grade Pay : Rs. 9500/-
Post Name : Associate Professor
No of Vacancy : 07 Posts
Pay Scale : Rs. 37400-67000/-
Grade Pay : Rs. 9000/-
Post Name : Assistant Professor
No of Vacancy : 07 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs. 8000/-

**Eligibility Criteria for RMLIMS Recruitment :**
Educational Qualification : D.M./ M.S./ M.Ch. in relevant specialty with relevant experience OR As mentioned in the "Minimum Qualification For Teachers In Medical Institutions regulations, 1998 " amended from time to time by MCI.

Nationality : Indian
Age Limit : (As on 01.04.2016)
For Assistant Professor/Additional Professor : 50 years
For Professor : 65 years

**Job Location : Lucknow (Uttar Pradesh)**

**Application Fee :** Rs. 1000/- which is to be submitted as demand draft in favor of "Finance Controller, Dr.Ram Manohar Lohia Institute of Medical Sciences, Gomti Nagar, Lucknow", payable at Lucknow.
**How to Apply RMLIMS Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application along with self attested copies of relevant documents, two self addressed envelopes with each Rs. 40/- postal stamp & application fee send to "The Director, Dr. Ram Manohar Lohia Institute of Medical Sciences, Vibhuti Khand, Gomti Nagar, Lucknow 226010 (U,P.), India." on or before 30.04.2016.

**Important Dates to Remember :**
Last Date For Submission of Application : 30.04.2016
**Important Links :**
Detail Advertisement & Application Form Link : http://www.drrmlims.ac.in/rml_admin/upload/1105Faculty%20all%20post%20Advertisement%2004.04.2016.pdf